থম্মোয় পাউদম | হুইয়েন ইন্দু

# পূন্সি-শিন্থা (কর্ম্ম) অমসুং পূক্নিং-ৱাখল - ৪

‘মীওইবগী পুন্সিদি অৱাবনা থনবনি... অৱাবসিদই নাম্থোক্লবা খ্বাইদই লায়বা পান্বেদি অপাম্বা থাদোকপনি’... গৌতম বুদ্ধগী পাউতাক ওইরমাল্লে। চপ চাবা ৱাহায়দুদি নত্তে, অসূম্না হায়বা ওইরমাল্লে অঙাং ওইরিঙৈ থেংনরকখিবদু। গৌতম বুদ্ধনা পুন্সিগী মরমদা পীরম্বা পাউতাক মখল কয়ানি নৈনবই লোইবা নাইরোইদবা। মাগী পাউতাক নৈনসি হায়বা নত্তে, মাগী ৱাহৈ অমনা ৱারেং অসি হৌজরিবা। ইশামক্তা হৌজিক থোক্লিবা, হৌজিকমক মায়োক্লরিবা, খাঙফম খঙদবা অৱাবা অমা মায়োক্লনবা হোৎনবদা গৌতম বুদ্ধ নীংশিংলকপনি। নুংঙাই-য়াইফ, মোন্দুম-মোন্তেক্তা য়াওনমিন্নদুনা লেনবা পুন্সি-মরেল অদু থাদোক্লমদুনা, লৈরক-খুল্লক শীন’-থুংনা চাক্লিবগুম চত্তুনা নুংঙাইবা থিবা চৎখিবা, নুংঙাইব মশক তাক্লম্বা মীশক অদু নীংশিংদুনা শান্নরুবনি। অৱা’-পোৎলুম অসি থাংথনবা হোৎনরুবনি। নুংঙাইবগী অশেংবা হৌরকফমদি পূক্নিংবু ঈংনা লৈহনবনি, পূক্নিং-শান্তি ফংলবা কোক’ঙমদবা অৱাবা অমত্তসু লৈরোই... কয়া’ লায়না হায়রল্লিবা মহাক্না। মদু ফংবা ঙমদবগী অৱাবদুনি ঐনা ঙসি মায়োক্লরিবা।

চুম্মী। ঐহাক হৌজিক অঙকপা ফংনা ৱায়। অসিগুম্না ৱাবা পূংফম মাঙলমচৎতা অমুক্তা থেংনখিদ্রি। অদুননি ঐনা হঞ্জিন হঞ্জিন কর্ম্ম (ইথৌ-থৌদাং, পুন্সি-শিন্থা)গী মরমদা লেপ্তুনা ইনীংলক্লিবা। অৱাবা নৎত্রগা নুংঙাইবা হায়বসি ঐনা তৌখিবা থবক/কর্ম্ম অদুনি হায়বদাই ! অদুদি, ঐনা ঙসি ৱারিবসি ঐনা মাঙলমচৎতা তৌখিবা তৌরোইদবা (ফত্তবা) থবক অমগী ফল ওইবা তাই। লাল্লবরা? করম্বা ফত্তবা থবক্নে।? কনাগী করি মাঙনবা তৌখ্রবগে ঐহাক্না? য়েংলুই, থিরুই- হঙ্গৎনা চেল্লু য়াদবা মতমগী ঈচেলসিদা ৱাখলগী হিনাউ তোংদুনা, কোরৌ, থাবুম অমদি চহী কয়াগী মমাঙগী মতমদুদা কোয়না থুংনা চত্তুনা। নীংশিংবা মরক্তুদা য়াও-ওন্থোক্না-লুনা তীন্নরমখ্রবা, অচুম্বতা চৎচবা, শা-ঙা চাদবা, ধর্ম্ম-কর্ম্মগী ৱা’খক্তা ঙাওবা পামজবা মরুপ অমা। আ মনুং হঞ্জিনবা চীংগী খুল অমদা পন্সি-শিন্থা তোঙান তোঙানবা ময়াম্না চিংদুনা পুরক্তুনা থেংনখিবনি। ঐনা হান্না খঙলমদবা ঈশ্বর-ভক্তি অমদি লাইনিংবশিংগী ৱারী কয়া মঙোন্দগী খঙহৌখি। মতমগী খোঙচৎ খুদুং ইন্দুনা, মফমদু থাদোক ইম্ফাল ময়োন্দা মহাক্না হান্না চৎখি। চহী খরগী তুং, মাগা অমুক থেংনবদদি মহাক পুমওন ওল্লম্লে। মনা-মশীং-চাবা, ভেজিতরিয়ান ওইবা মতৌদুমদি মাঙলমদ্রি হায়বরু, মহাক, ময়াই কাবা পোৎ খৈনি-জর্দা-চুরূট-য়ুনচিংবা ময়ামসি শীজিন্নবা হৈরম্লে। ঈশ্বর’বুসু ৱারৌরম্লে। ঐহাক ঙকখি-মহাক করম্না অওনবা- মী ওইরকখিবনো? খঙনিংলকখি/নোংমা, মরুপ অমগীদা দিন্নর-পার্টি অমা থওইনা শীনহল্লগা, নুংদা লোৎলিবা অচুম্ববু মপান্দা, চীনবানগী থোঙদা মপান থোকহল্লকপদা মপা-লৈত-হৈ-শিংলবা ‘য়ু’গী মতেং লৌদুনা লোইনা হায়দোকহনখি... ‘ঐনা ঙসি য়ু থক্লিবা, ঈশ্বর মঙোন্দা শীংনরিবনি... আই চেল্লেঞ্জ গোদ ! দ ওলমাইতি ! ঐহাক হৌজিক লাই নীংদ্রে... মানা তৌ হায়বা থবক অমত্তা ঐহাক তৌররোই (কপথোরক্লগা)... ঐনা মহাক্কী থৌগল তৌবদা করি অৱাৎপা-লৈখি... নুমীৎ খূদিংগী কৎফম থোকপা হৈকৎ-লৈকৎ নোংমতা ৱাৎপা লৈখিদে... মহাক্কী য়াথং অমত্তা ঐনা হিকতোকপা তৌখিদে... অদুগা করিগী মানা ঐগী ইফমদা শোইনাইবা ইচা খুদোল তৌরকপনো... মহাক য়াম্না ফত্তবা, তৌবীমল খঙদবা অমনি... পাউজেল অসি ঐহাক্না মীপুম খূদিং তমগনি... ঐহাক লাই নীংলরোই’...।

শাংখ্রবা ৱারী অমনি। মাগী ৱাহৈ খূদিং মরৈ য়েংপা য়াবদু ঐহাক য়েংখিদে। থেমজিনবতনা ইথৌ ওইখি। সিমত্তংদি অরোইবদা হায়রমখি... ‘মরুপ, নঙনা মাবু নীংবগী চাং অসি কদায়ফাওবা কনবা লীচিংনো হায়বদু চাং য়েংনীংদুনা মহাক্না চাংয়েং অসি চথরম্বা য়াই’...। ঐনা ময়ূমদা চৎপা খূদিং ‘অঙাংদু অমুক্তা য়েংজগে’ হায়বা মহাক্না সূপয়া য়াখিদে। নুংঙাইনা ৱারী শারম্বদু অঙাংদুই ৱারী হৌদোক্লবা, ৱারীদু খঙতেন তেনশিল্লপ হেক্তা থিন্দোরক্কনি। অসুম থোকউ হায়দুনা, নোংমদি, ইমুংদুগী মী কনামত্তা কৌবা খুম্লক্তে। থোঙদি লাওনা হাংদোক্লম্মী। চঙশিন্দুনা য়েংলুবনি। মনুংগী অনীশুবা কাদুদা মহাক ‘মীমান্নদ্রবী মচানুপী’দু থেমদুনা অয়ুক্কী ব্রেকফাষ্ট পীজনবা হোৎনরম্মী। থোঙদুগী মতৌদু তম্বা হৈত্রে তমজররোই। চঙলক্লিবা মীশক্তু মমানি/মপানি/মচেনি হায়বদুদি খঙলবসু মচিন্দুনা হায়দোকপদি ঙমজদবা, নীংথিজনা ফম্বদুসু ঙমদবা। থরো-মাল্লো হীপ্তুনসুম মরৈবা। কনাগুম্বা অমগী মীৎকা মীৎচানবসু ঙমদবা। মশক্তুনা নুংশিরিবা। ঐহাক কুইনা য়েংলমদ্রে। থোরক্লগা শুমাঙদা লৈরম্বা মোরাদুদা ফম্লগা ফনা কুইনা মহাক থোরকপা ঙাইখি। মহাক্না ঈশ্বরবু ৱারৌরিবা, তাইনফম অমা থিরিবনি। ঈশ্বর হায়বসি, মহাকপু নীংজবা পূন্নমক্কী তাইনফমনি। তৌরুবা খূদিং মায় পাক্ত্রবা, মঙ্গল ওইদ্রবা মহাক্তুনসু হায়গনি- ঈশ্বরগী থৌজাল ফংদদুনা তৌরিবনি। মায় পাক্লবা মহাক্তুনসু হায়... ঐবু ঈশ্বরনা চানবীরে। মশাগী ফংফম থোকপা খুৎশুমল নত্তবা, মীগী থম্মোয় শোকহল্লগা, মীগী মরল মৎলগা, মরল-মথুম পৈশিনবা, শেঞ্জা-থুমজা তৌবশিংদু ঈশ্বরগী অচানবা মনাইনি অফবা কর্ম্ম তৌবনি। অদুগা, হোৎনবা কন, হোৎনজমল মহয়দি ফংদবা, মখোয়গীদমক শেম্বীরমগনি- ‘চাগনবা য়াঙ্গংবা, শুগনবা লায়রবা’।

মরুপ্তুগী ৱারী নীংশিংলুরগা, অমুক য়েংজৈ ইশাদা। ঐনা করি তৌরুবগীনো, ঙসি ঐনা অসূপ-খাঙ’ঙমদবা চৈনা অমা মায়োক্লরিবা? খঙই, য়াজৈ ঐহাকসু হৌখিবা চহী কয়াসিদা ঐনা লৌখিবা ৱারেপ, অমদি ৱারেপশিং অদুনা ইনশিল্লগা তৌখিবা থবকশিং অদুগী মহয়নি ঐনা ঙসি ইথন্তা পোত্থাফম খঙদ্রিবা। য়ুনিয়ন করিনো খঙদবা, খঙনবসু হোৎনদবা- য়ুনিয়ন লিদর হায়বসি, মেম্বরশিংনা অৱাবা তারবা’- কান্দতা মখোয়গী মতেং পাংবদুনা মথৌ ওইগদবনি খনবা শিন্মী-লূপ অমগীদমক অচৌবা মঙলান শাগৎলুবা, মঙলান অদু মঙফাওনরমদাই, প্রোব্লেম খরা মায়োক্লরকপা... ‘পূন্নমক, মরন্নাই-মরল-শেমগৎনবা তাৎকী লাং অমনি’ ইরাল শীরকপা... থবক খূদিং, নীংলুবগা তায়ওন্নরকপা, তৌগে নীংবা মরুওইবা কয়া অমা তৌবা ঙমদনা পুন্সি অসি লোইখ্রগনি নুংনাংলকপা... পূন্নমক অসি ঐনা পাঙখিবা পুন্সি-শিন্থা, মাঙলমচৎতা তৌখিবা কর্ম্মগী ফল’নরা খল্লুবননি ঐবু পোত্থাফম খঙহন্দ্রিবা। অদুঙৈ, কৃষ্ণনদি অর্জ্জুন’দা হায়খি হায়... ‘নমাঙদা তাররিবা থৌদাং খূদিংমক নথৌনি খন্না পাঙথোকউ, ফংগদবা মহয়দুগী খল্লুনু’। লুরিবদি ৱাখলদু খনবা ঙমদবসিনি।

স্পিরিচ্যুঅল গুরু অমনা হায়খিবদুসু নীংশিংই... ‘নহাক্কী লৈজরম্বা নরল-নথুম নেচরেল কালামিতি অমদা ঙম্নমক তোরা তুনা মাঙখিবা য়াই... মদু ঙসি ফংবা অৱাবনি, অৱাবদু হয়েং ফাওবা পুদুনা চৎকনু’...।

অৱাবা তানফম অসিদা মখোয়গী ৱাহৈ অমনা, পোৎলুম অসি য়াংহনগদ্রা খল্লুবা, হেন্না মম্বা কাখু অমদা চঙলকপগুম থোক্লরে। খোঙ থাংফম খঙলক্ত্রে।

লৌশিং পুক্কে

# নুংথিলদা ঙাইহাক উইবনা নীংশিংবা

## ঙস্বগী পাঙ্গল হেনগৎহল্লি অদুবু শাংথনা তূমশিল্লিবদি খুদোংথিনিংঙাই ওই



নুংথিল চুপ্পা থবক শুবা মতমদা ঙাইহাক-ঙাইহাক পোত্থারগা মরক্তা মীৎকপ অমা তূম্বনা হকচাং তেকখৎহল্লি অমসুং ইথৌদা পূক্নিং চঙবা ঙমহল্লি হায়বসি য়াম্না চুল্লবা ৱাফমনি। অদুবু হন্দক্তা পাঙথোকখিবা ষ্টদি অমগী রিপোর্ট মতুংইন্নদি নুংথিল তূম্বগী হৈনবী থম্বনা হাইপরটেন্সনগী রিস্ক ৱাংখৎহল্লি হায়রি।

রোচেষ্টরদা লৈবা মায়ো ক্লিনিক্কী রিছার্চরশিংনা হায়খি, মদুদি নুমীৎ খুদিংগী নুংথিল তূম্বা মীওইশিং ব্লদ প্রেসর ৱাংখৎলকপা য়াবগী রিস্ক মায়োক্লে। মরক মরক্তা নোংমা ফাদোক তূম্বগী ৱাফম নৎতবদা নুমীৎ খুদিংগী হৈনবী অমা ওইনা নুংথিল তূম্বা মীওইশিংদা ব্লদ প্রেসর ৱাংখৎলকপা য়াই।

রিছার্চরশিংনা মালেমগী তোঙান তোঙানবা মফমদা লৈবা মীওই ১২,২২,৬৭২ দা চথখিবা ষ্টদি মাপনগী দেটা কুপ্না নৈনরম্মী। মদুদা নুমীৎ খুদিংগী নুংথিল তূম্বা মীওইশিং ব্লদ প্রেসর ৱাংখৎলকপা য়াবগী রিস্ক মায়োক্লে হায়বা খঙলকপনি।

অমেরিকান সোসাইটি ওফ হাইপরটেন্সনগী ৩১ শুবা চহীগী মীফমদা পুথোরকখিবা ষ্টদিগী রিপোর্টনা হায়খি, মী-মীগী চাকচা-য়ুথক খেন্নবা, হকচাং শাজেল তৌবা-তৌদবা অমসুং অতৈ অনাবা কয়ানসু ব্লদ প্রেসর ৱাংখৎহনবদা মতেং পাংশিনবা মরম্না নুংথিল তূম্বগী ৱাফম অসি মখা তানা থিজিনবা মথৌ তারি।

অমরোমদা, কেমব্রিজ য়ুনিভর্সিটিগী রিছার্চরশিংনা পাঙথোকখিবা ষ্টদি অমগী রিপোর্টনা হায়খি, মদুদি নুমীৎ খুদিংগী নুংথিল তূম্বা মীওইশিং মনুং মতম চাদনা শিবা য়াবগী রিস্ক চাদা ৩৩ রোম হেনগৎলকই। অমেরিকান জর্নেল ওফ ইপিদমিওলোজিদা ফোঙলকখিবা ষ্টদিগী রিপোর্টনা হায়খি, নুমীৎ খুদিংগী নুংথিল তূম্বনা হকচাং মনুংদা ইনফ্লেমেসন থোকহনবা মরম্না লংসকী লায়না ওইহল্লকপা য়াই। নোংমদা পুং ১ দগী হেন্না নুংথিল তূল্লবদি এম্ফিসেমা, ন্যুমোনিয়া অমসুং ব্রোঙ্কাইটিসনচিংবা নিংশা শ্বর হোনবগা মরী লৈনবা লায়না ওইরক্তুনা শিবা য়াবগী রিস্কশরুক অনী মখায়রোম হেনগৎলকই।

নুংথিল তূম্বা ফৎতে হায়দুনসু নুমীদাং চুপ্পা থবক শুবা মীওইশিংদি তঙাইফদনা নুংথিল তূম্বা মথৌ তাই। মীপুম খুদিংমক মপুং ফানা তূম্বগী তঙাইফদবা মরম্না নুমীদাং তূমহৌদবা থোক্লবদি নুংথিল তূম্বা মশানা তাবনি। অদুবু কাঙলোন খরা ঙাক্না নুংথিল তূম্বগী তঙাইফদবা লৈ। নুমীদাং তূম্বগী মওংদা মপুং ফানা তূমথখিদনবা চৌক্রিদা য়াঙলেন চপ তিংনা ফম্লগা ঙাইহাক উইগদবনি। চীপ স্লিপ ওইনা মপুং ফানা ফমুংদা হীপ্লগা খক তূপ্লোইদবনি হায়না ডোক্তরশিংনা রেক্কমেন্দ তৌরি।

নুংথিল ঙাইহাক উইবগী কান্নবা অমসুং কান্নদবশিং মমুৎ তানা খঙদোক্লবগী মতাংদা তোঙান তোঙানবা ষ্টদি কয়া চথখিবা লৈখ্রে। ন্যুরোসাইকোলোজি জর্নেলদা ফোঙলকখিবা ষ্টদি অমগী রিপোর্টনা হায়খি, থবক মফমদা ওইরবসু নুংথিল ঙাইহাক্তং উইবনা নীংশিংবা ঙস্বগী মতিক ময়াই হেনগৎহনবা মরম্না ইথৌদা পূক্নিং চঙবা ঙমহল্লি।

জর্মনিদা লৈবা সার্লেন্দ য়ুনিভর্সিটিগী প্রোফেসার এক্সেল মেক্লিঞ্জরনা হায়খি, মহৈ তম্লিবা মীওইশিংনা লঞ্চ ব্রেকতা করিগুম্বা খরা চাশিন থকচিল্লবা মতুংদা ঙাইহাক্তং ওইরবসু উইগদবনি। মসিনা মতুং তারকপা ক্লাসশিং য়াওবদা পূক্নিং চঙবা ঙম্মী। ন্যুরোসাইকোলোজি জর্নেলদা ফোঙলকখিবা ষ্টদি অদুগী রিপোর্টনা হায়খি, নুংথিল ঙাইহাক্তং উইবনা নীংশিংবা ঙস্বগী মতিক ময়াই শরুক মঙারোম হেনগৎহল্লি। মরম অদুনা মহৈ তম্বা অমসুং ৱাখল খনবগী মথৌ তাবা মীওই খুদিংমক নোংমগী ঙাইহাক্তং নুংথিল তাল্লক্তা উইবা য়ানবা থৌরাং লৌখৎকদবনি হায়না প্রোফেসার এক্সেল মেক্লিঞ্জরনা মখা তানা ফোঙদোকখি।

ষ্টদিগী শরুক অমা ওইনা মীওই খরা কাঙলুপ অনী থোক্না খায়দোক্লগা কাঙলুপ অমবু নুংথিল তাল্লক্তা ঙাইহাক পোত্থাহনবা ওইনা দি ভি দি য়েংহল্লম্মী অমসুং অতোপ্পা কাঙলুপ অমদুনা ঙাইহাক উইহল্লম্মী। চাংদম্নদুনা য়েংবদা ঙাইহাক উইবা কাঙলুপ অদুনা ৱাখল খনবা অমদি নীংশিংবা ঙস্বগী মতিক ময়াই হেল্লি হায়বা খঙলকখি।

ষ্টদি অদুদা শরুক য়াখিবা সারা ষ্টদনা হায়খি, মীওইবনা উখিবা, খঙখিবা, তাখিবা ইনফোর্মেসন খুদিংমক হিপোকেম্পস কৌবা ব্রেনগী শরুক অমদা তুংশিন্দুনা থম্মী। মথৌ তারকপা মতমদা ইনফোর্মেসন পুন্নমক মতাং মতমগী মতুংইন্না নীংশিংলকই। কনাগুম্বা খরদি হিপোকেম্পসতা ইনফোর্মেসন ফনা য়াম্না তুংশিল্লবসু মথৌ তারকপা মতমদা শীজিন্নবা ঙমদে। অদুগা মীওই খরদি মথৌ তাবা ইনফোর্মেসন পুন্নমক মতম চানা নীংশিংলকই। মরুওইবা পারা অমা হেক তম্লবা মতুংদা ঙাইহাক্তং উইরবদি পারা অদু হিপোকেম্পস রিজনদা চঙখি অমসুং মতাং চানা নীংশিংলকই হায়রি।

আর্টিকল অসি রিলাইএবল সোর্সতা য়ুম্ফম ওইরগা ফোঙবনি, অদুবু মসিনা মেদিকেল প্রোফেসনেলশিংগী পাউতাককী মহুৎ শিন্নবা হোৎনবদি নত্তে

# শিরোই ফেষ্টিভেলগা মরী লৈননা উ চারা থাখ্রে অমদি য়েন্থোকখ্রে

ইম্ফাল, মে ২৬ (ঐচ এন এস): ফোরেষ্ট এন্দ ইনভাইরনমেন্ট দিভেলপমেন্ট ওর্গনাইজেসন মণিপুর (ফেদোম)না লেপ্তুনা চথুরকপা তোঙান তোঙানবা চীংগী মফমশিং অমদি কেটচমেন্ট এরিয়াশিংদা উ চারা পান্বীশিং থাজিনবা অমসুং মীয়ামদা ইনভাইরনমেন্টপু ঙাক শেন্দুনা থম্নবগী পূক্নিং থৌগৎপগী চঙশিল্লকখিবা কেম্প্যেনশিংগী মনুং চন্না হৌজিক হৌজিক উখ্রুলদা পাঙথোক্লিবা শিরোই ফেষ্টিভেলদা উ চারা থাজিনবা অমসুং মীয়ামদা উ চারাশিং থাজিনবীনবা উ চারা য়েন্থোকপগী থৌরম পাঙথোকখ্রে হায়না ফেদোমগী কো-কনভিনর রোবিন ইরেংবমনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অদুনা মখা তারদুনা হায়, উ চারা থাজিনবা অমদি য়েন্থোকপগী থৌরম অদুদা উখ্রুল দিষ্ট্রিক্তকী তোঙান তোঙানবা মফম কয়াদগী লাকপা মহৈরোয়শিং, ষ্টেট অমসুং সেন্ট্রেল সিক্যুরিটি পর্সনেলশিং অমদি শিরোই ফেষ্টিভেল য়েংবা লাকখিবা মীওই কয়াগসু শরুক য়ামিন্নদুনা ফেদোমগী উ চারা থাজিনবগী কেম্প্যেন অদু মপুং ফানা পাঙথোকমিন্নখি হায়রি।

চেরোল অদুনা মখা তারদুনা হায়, ফোরেষ্ট দিপার্টমেন্টকী খুথাংদা পীরকখিবা উ চারাশিং অদু শিরোই হিলসকী লম্বীগী মতায়দা মীয়ামগা পুন্না থাজিল্লবা মতুংদা মীয়ামদা ইনভাইরনমেন্ট ঙাক শেন্দুনা থম্মিন্নবগী পান্দমদা ফেদোমগী থৌমীশিংনা শিরোই ফেষ্টিভেল য়েংবা লাকখিবা মীওইশিংদা পমপ্লেট কয়াসু য়েন্থোকখি। থৌরমদুগা মরী লৈনন ফেদোমগী কনভিনর এন ইমোচানা ফোঙদোকখিবদা, শিরোই ফেষ্টিভেল শরুক য়াজবা ওইনা ঙসি দি এফ ও উখ্রুলগী খুথাংদা ফেদোমদা শীন্নবীরকখিবা উ চারাশিং অদু তোঙান তোঙানবা মীওইশিংগা পুন্না শরুক য়ামিন্নদুনা উ চারা কয়া থাজিনখ্রে। মণিপুরদা লৈমিন্নরিবা তোঙান তোঙানবা ফুরুপ খূদিংমক্কী মীপুম খূদিংমক্না ইমা লৈবাক ইরমদম মণিপুরগী নোংম-নোংমগী কায়থরক্লিবা মহৌশাগী খল অসি মখা তানা মাঙথরক্তনবা ঙাক শেনবীবা হায়বসি লৌফদ্রবা থৌদাং অমমমনি খন্না লৌমিন্নসি। মহৌশাগী খল অসিবু য়োকখৎপা অমদি ঙাক শেনবীবা হায়বসি হৌজিক হৌজিক লৈরিবা মীওইবা খুন্নাই অসিখক্কী কান্নবা খক্তা নত্তনা তুংদা হৌরক্কদৌরিবা মীরোলশিংগীদমক্তসু অচৌবা কান্নবা ওইগদৌরিবনি। মরম অদুনা ঐখোয় পুন্নমক্না উ পান্বীশিং য়ান্থৎপগী মহুৎতা উ চারাশিং থাজিনবীয়ু হায়নসু আপীল তৌখি।

[illegible] / শ্রীশ্রীগৌরচন্দ্রায় নমঃ



পূর্ব্বাশ্রমদা ঐখোয়গী ইরক্তা তীনবীরম্বী **চোংথাম নিঙোল য়ুমলেম্বম ওংবী অনৌ (ইনৌ) দেবী**-না মাগী নুংশিজরবা ইমুং-মনুং, শাগৈ-নাতৈ অমদি মরুপ-মপাং খ্বাই পুন্নমকপু থাদোক্লম্লগা, হৌখিবা মেগী তাং ২০, ২০২২ ইং, কালেনগী ২০নি পানবা ইরাই নুমীত্তা শ্রীগুরুগী কৃপাদগী **অনঙ্গমঞ্জরী দাসী** হায়বা নাম ফংজদুনা বৃন্দাবন প্রাপ্তি ওইখ্রে।

লাক্লিবা মেগী চাং ২৫, ২০২২ ইং, কালেনগী ২৫নি পানবা য়ুমশকৈশা নুমীত্তা অস্থি-সঞ্চয় লৌখৎচরগা, জুনগী তাং ০২, ২০২২ ইং, ইঙাগী ৩নি পানবা শগোলশেল নুমীত্তা চিড়া উৎসব দিন থোক্লে। নুমীৎ অসিদা লৈখিদ্রবীগী আত্মা শান্তিগীদমক ঙমজবা বস্তু খরদং হরি সঙ্কীর্ত্তণগা লোয়ননা শ্রী শ্রীগৌরচন্দ্র মহাপ্রভুগী অগ্রদা কচ্চগদৌরি।

থৌরম অসিদা ব্রাহ্মণ-বৈষ্ণব, অহল-লমন অমদি মরুপ-মপাং খ্বাই খিবিক্লা মতম চানা লেঙবীরক্তুনা হরিনাম শ্রবন তৌবীরনবা পত্রনা নিমন্ত্রণ কৎচরি।

পত্রনা নিমন্ত্রণ কৎচবগী অপারাধ খিবিক ঙাকপীগনি।

থৌরম পরেং ঃ-
অয়ুক পুং ০৯.৩০ : ভেক কৎপা
নুংথিল পুং ১২.৩০ : সঙ্কীর্ত্তন হৌবা

*বিনীত :*
য়ুমলেম্বম মণিহার সিংহ (মপুরোইবা)
ৱাঙ্খেই কোন্সম লৈকাই, ইম্ফাল ইষ্ট।

HL-B/7666/27,29

# ঙসিগী রাশি ফল

অইবা : ডো. ৱাংখেম জীবোল সিংহ
এসিষ্টেন্ট প্রোফেসর (বাইওষ্টেট) জেনিমস
চীংমৈরোং, ইম্ফাল।

**তাং ২৭।০৫।২০২২ ইং, ইরাই; অয়ুক পুং ১১.৪৮ ফাওবা কালেনগী ২৭ নি পাল্লি, মতুং ২৮ নি পাল্লনি।**

মেষ: খোয়রাং খোয়শাওবা অমদি হেন্না অখঙ-অহৈ শাবনা মাঙজবা/ কায়নবা লৈ। অরং-অরাক ফংবা, য়েক্লববু ঙমজবা, মীনা থাগৎপীবা, শেল ফংবদি লৈগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- নুংশিবনা চানবীগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা

বৃষ: মীতোপ্পা ঙাঙবা-তাকপা লৌরবদি মাঙজগনি, হেন্না চরাংনরগা চাদিং হেনগনি। লান্দবা অমদি খাঙবা কনবনা থবক পাঙগনি অমদি শেল-থুমদা কান্নগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- ঈরাং তৌগনু-মাঙজগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙৌবা/চেঙ

মিথুন: নচা-ননাইগী লমদা মায় পাকচগনি, মীয়ামগী মতেংনা শেল-থুম অমদি হরাওবা-নুংঙাইবা ফংউ হায়বা লৈ। অরাপ্পদগী কান্নবা ফংগনি। অনমদি তানগনু।
লৈশা পাখংশিংগী- নুংশি মরী ফগৎলি।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক

কর্কট: অনম তানবা অমদি ঙক কনবা তৌগনু-তোঙজবা লৈরোই। অনীংবা থবক পাঙবা, নীংবা মপা চাবা অমদি ওইজবা ফংবা লৈগনি। মীংচৎ তানবসু য়াগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- লাইবক ফগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা

সিংহ: য়েৎনবা য়াবা মরমদা য়াওরুনু, লাঙতক্লবা ফাথৌ, খুৎ চাওবা মতাং চাদে, ফত্তবা লোয়নবনা অঙম্বনা তাথিগনি। শেল অমদি অরং-অরাক ফংবদি লৈ।
লৈশা পাখংশিংগী- হায়জবদি তাবীগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ নাপু/কিসমিস

কন্যা: অৱাবা খরা মায়োক্লবা লৈরসু নরল চাওখৎকনি, নথক থোংবনা চানবীগনি। মরুপ অমদি ইমুং-মনুংগী ৱা তাবা কান্নগনি। পাউদি ইনুং নুংঙাইরোই।
লৈশা পাখংশিংগী- হান্নগুম অফ-ফত্ত য়ান্নে।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক

তুলা: লাইবক ফবা, নীংবা থুংবা, পাঙনীংবা থবক পাঙবা ঙস্বগী হরাওবা, শেন্দোং তানবা থবক্তা চাওনা কান্নবা ফংজবা নুমিৎনি। নাইতোম ৱারেপতি লৌগনু।
লৈশা পাখংশিংগী- নুংশিবা ফংজৈ।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক

বৃশ্চিক: মীচঙ লৈরগনি, নীংবা মপা চাগনি, পল্লম্বা শেল-থুম ফংবা অমদি মীনা থাগৎপিবা লৈ। হকচাং নুংঙাইবদি ৱাৎলি, ফিংলদি নুংশা থিবা নংগনি-তপথৌ।
লৈশা পাখংশিংগী- নীংবা থুংগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা/চিনি অঙাংবা

ধনু: খন্থদ্রদি মতম মাঙগনি, অতনবা থাদোকউ, হুরানবনা মরুপ শাদুনা লোয়নবা লৈগনি-পংথগনু। থেংলপ্পা নুংঙাইবা ফংগনি অমদি লেঙদবা লনদি চাওখৎকনি।
লৈশা পাখংশিংগী- হামু হামুনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ নাপু/কিসমিস

মকর: মীকোক থোংউ হায়বা নুমিৎনি-চঙশিনখ্রবা থবক্তা নীংহন্নবা তৌগনু। মরক মরক্তা অচিৎ অকোম য়েংবা য়াওই-চেকশিল্লু। নচা-ননাইগী চাওখৎপসু লৈ।
লৈশা পাখংশিংগী- নীংবা থুংই।
থৌনি পোৎলম : লৈ নাপু/কিসমিস

কুম্ভ: অশাওবা অমদি অনম তানবনা মাঙজবা ঙসিসু লৈরসু নীংবদি থুংগনি। ওইজ-ওইথক তানবা অমদি অনৌবা থৌরমদা কান্নরনি। ৱা য়াম্না ঙাংবদি চোপকনি।
লৈশা পাখংশিংগী- অশাওবনা মাঙজবা নুমিৎনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ/চিনি অঙাংবা

মিন: মরুপ-মপাং অফবা ফংগনি, ইমুং-মনুং লোয়ননা পাঙবা থবকসু মহৈ য়ানগনি, তুংগী পোরম শীন্দোকপসু য়াগনি। অফা-অপুনগী থবক্তদি য়াওরুনু পাঙদবা লৈ।
লৈশা পাখংশিংগী- নীংবা মপা চারোই।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক

থৌনি পোৎলমশিং অসি ইশানা নীংজবা লাইদা কৎপীয়ু মহয় ফংগনি।

মমি ৱারী

# থৱান



‘য়ুমগী মীনা মী ওইররোই হায়বশিং য়াওরদি ঐসু য়াওরি। ঐখোয় মতিক চাবদি পামদরে, ইচম চম্মা নুংঙাইনা হিংবা পাম্মী’। দ দর্টি ষ্ট্রাইক।